# বেষ্ট ওফ অম্মিক, ২০১৯

## ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টরগী অহানবা প্রীলিমিনরি রাউন্দ

- নানি



উ-পান্থী ফজবা অমগী মশক অমা হায়বা অসি মসা-মরেংগা লোয়ননা মনা পুংনা শন্দোক্লগা হৌবদুনি। পান্থীদি য়াম্না চাউবা, মসাদি শন্দোক্তবা ওইরবদি পান্থী অদু ইচপ চপ্পগা ৱাংদ্রিং ৱাংলগা মাগী ফজফম অমা খঙলোই। অম্মিক মতম অমগী অহল লমনশিংনা মণিপুরী মতম ঈশৈগী অরেপ্পা মশক অমা শাগৎনবা ৱাখলদা শেমখিবা অমত্তা ঙাইরবা ওর্গনাইজেসন অমনি। ওর্গনাইজেসন অসিনা মতম মতমগী ওইনা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাকখি। মতম খরা অমুক লেপ্তুনা লৈরুরবা মতুংদা মণিপুরী ঈশৈগী অশেংবা মশক অমা শেম্নবা লৈখিদ্রবা নোংমাইথেম পহারি, লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমার অমদি বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা লুচিংদুনা নৌনা হিংগৎহন্দুনা য়ং-য়ং লাওনা থৌশিল কয়া পুথোক্তুনা মপাঙ্গল কনখৎহনখি। ঙসিদি অম্মিক হায়বসি লমদমসিগী লৈহাওদা মরা তানা শাহৌ ফনা লৈরবা অমত্তা ঙাইরবা লূপ অমা ওইরে। মণিপুরী মতম ঈশৈগী অখন্নবা নুমিৎ ফাওবা মণিপুর গেজেটতা ফোঙদুনা লৈরে। সেপ্টেম্বর ৩০ অসি চহী খুদিংগী ওইনা অম্মিকনা শীন্দুনা মণিপুরী মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। নুমিৎ অসিনা মণিপুরী মতম ঈশৈনা লমদমসিদা করম্না হৌরকখিবা হায়বা অদুগী পাউদম অমা অনৌবা মীরোল মীরোলদা তমদুনা নৌনা লম্ অশোমদা চঙশিল্লক্লিবা খুদিংমক্তা অনৌবা ৱাখলগী মথৌনা অমা হাপ্তুনা লাক্লি। হৌজিক অম্মিকনা থেংনরিবা অরুবা তানফম খরদি অদুমক লৈরি। মসিগী মনুংদা অম্মিক্কী ওবজেক্টিভ ওইনসু লৈরিবা মণিপুরী মতম ঈশৈগী মশাগী ওইজবা মশক অমা শেমগৎপা হায়বা অসিনি। মসিগী মতাংদা নাখৈ শেংফাৎতবা অমদি মরীল অমা ইচুম চুমদবা অমদি উরি। মসি শোয়দনা নোংমা মায় পাক্তুনা মণিপুরী ঈশৈগী অশেংবা মশক অমা মফম খঙনা চোঙথোরকখিগনি।

খুন্নাইগী হোংলক্লিবা মশক কয়াগা লোয়ননা অম্মিকনা ঈশৈগী কাঙলোন কয়া শেমগৎলকখি। ঈশৈগী স্ক্রিনিং তৌদুনা লমদম অসিগী শৈশক শৈদা কয়াবু য়োকখৎনবা লোয়ননা মপানগী ইথিল কয়ানা মণিপুরী ঈশৈদা চংশিল্লক্তনবা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাকখি। মণিপুরী মতম ঈশৈনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা প্রোব্লেম অমদি তুংগী ওইবা প্রোসপেক্ট কয়াগী মতাংদা নুমিৎ হুমনি চঙনা মেগা সেমিনার অমা হন্দক্তা পাঙথোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা ৱারেপ লৌখি। মখা তানা ম্যুজিক্কী তোঙান-তোঙানবা জেনরগী মতাংদা ৱার্কশোপ পাঙথোক্তুনা হেন্না ফগদবা মায়কৈ অমা য়েংনবা থৌরাং তৌরি হায়বা পাউ লৈরি। পুম্নমকশিং অসি অফবা মায়কৈ অমদা অম্মিকনা লাকপনি হায়না লৌবা তাই। অম্মিক হায়রিবা ওর্গনাইজেসন অসিগী মসা খরা লোংথোক্তুনা লৈখ্রে। থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর, ককচীং দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সেন্টর অদুগা লোয়ননা হন্দক্তা নৌনা হাংদোকখিবা ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টর। সেন্টরশিং অসিগী ওইবা একাদেমিক থৌশিল করি করি চত্থরিবগে হায়বা অদুগী চপ চাবা পাউ লৈত্রবসু শোয়দনা সেন্টরশিং অসিগী ওইবা অনৌবা থৌরাং কয়া পায়খৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। চহীগী ওইনা পাঙথোক্লিবা বেষ্ট সিঙ্গর খনবগী থৌরমদা মীহুৎ খনগৎনবগী প্রীলিমিনরি রাউন্দখক তৌবনা সেন্টরগী ওইবা অচৌবা থবক অমনি হায়না লৌবদি লানগনি। একাদেমিক ওইবা থৌশিল খরা শেমদুনা চাং নাইনা থৌরম শীল্লগদি হেন্না অফবা অমা শোয়দনা ওইরক্কনি। ঙল্লগদি ঈশৈগী ওইবা স্কুল অমা লীংদুনা নহা ওইরিবা ঈশৈবু তমজনীংবশিংদা খুদোংচাবা পীরবদি হেন্না কান্নবা অমদি ফীদম্নফম শোয়দনা ওইবগী তাঞ্জা লৈগনি হায়না লৌই। দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা লৈরিবা সেন্টর অসিনা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বসি য়াম্না কৃপ্পা খন্ন-নৈনবা অমা মথৌ তারি। আর্টিষ্ট অমা হায়বসি শুপ্নতগী মাগী অপান্থা অমদি মহাক্লা তৌজরিবা আর্টসকী লন্থী অদুদা চঙনবা হোৎনবা অদুখক্তনা আর্টিষ্ট অমগী মথৌ ওইদে। আর্টিষ্ট অমা হায়বসি তশেংনা হায়রবদা মসিদগী হেন্না চাউথোকচনীংঙাই ওইবা শীনফম অমা লৈতে। মহাক্কী য়াম্না নোবল ওইবা প্রোফেসন অমনি। অমরোমদা মহাক্কী লৈবাক অসিগী অনৌবা মায়ওন অমা পুরক্কদবা অচৌবা রেভল্যুস্নরি অমনি। লৈবাক নীংবা, মীয়ামগী পুন্সিবু তংদু-লৈতাহনবা, মীয়ামগী অফবা য়াইফরোল পুন্সি অমা শেমগৎপদা আর্টিষ্ট হায়বসিনা লৌরিবা থৌদাং অসি অসুক্কী মতিক চাউই হায়বসি নৌনা হৌরক্কদৌরিবা নহাশিংদা চপ চানা খঙহনবা অমা চংই, ঈশৈদবু ওইরো, অতোপ্পা আর্টিষ্ট ফিল্ড অমদবু ওইরো। মহাক্কী পামজরিবা লন্থী অদুদা চৎপা অদুখক্তনা অরোইবা পান্দম নত্তে। মদুনা মহাক্কী প্লেটফোর্ম অমা থিবগী ৱানি। প্লেটফোর্ম অদু ফংলবা মতুংদা মহাক মশানা খুন্নাই অসিগীদমক করি তৌগদগে হায়বা অসিনি খন্নগদৌরিবা অসি। নৎত্রবদি হান্নগী হান্না ওইনা আর্টিষ্ট অমনি হায়রগা পংলৈ লৈবা অদুগী থাক্তগী হেল্লোই। লোয়ননা মমিং ফনা লৈরবসু মহাক্লা তৌজরিবা অদুগী অরেপ্পা ফিরেপ অমদি মদুগী চন্নফম অদু মফম খঙলোই। ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টর অসিনা তৌবা য়াবা করি করি লৈগদগে হায়বদু অপূনবা দিসকোর্স অমা তৌদুনা অখঙ অহৈ কয়াদগী পাউতাক লৌবা অমদি নহাশিংবু চাং নাইনা ৱারী ৱাখোঙ শেংনা খঙহন্দুনা ঈশৈগী লম্দসু, ইবগী লমদসু অমদি আর্ট হায়বা অসিগী অশেংবা মশক অদু মুন্না খঙননবা মখল কয়াগী ৱার্কশোপ অমদি ট্রেনিং দিসকোর্স কয়া শীন্দুনা অহেনবা লৌশিং কয়া পীদুনা অচংবা য়ূম্বী অমমম ওইনবা শেস্থা য়াগনি হায়না খল্লি। মায়কৈ অশোমদসু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেন্তর অসিনা মীৎয়েং থল্লক্কনি হায়না খল্লি। হৌজিক্তি একাদেমিক অমদি সাইন্টিফিক এপ্রোচ অমদা চঙশিনবা নৎত্রবদি হীরম খুদিংমক্তা মায়পুননা মায়োক্লবা ৱারবা মতমনি। হান্নগী ঈশৈ খরা শকপা, ইবা, ঙাঙবা অদুখক্তনা মীরক তিনবা য়ারক্তবা মতম হায়বদু ওইরে।

বেষ্ট ওফ অম্মিক হায়বা টাইটলদা চহী খুদিংগী ওইনা ঈশৈ শৈদান্নবা অমা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিদগী থাগৎলকপশিং অদু ষ্টেটকী লেভেলদা চাংদম্নদুনা খ্বাইদগী ফবা সিঙ্গর খন্দুনা মনা পীবগী থৌরম পাঙথোক্লি। হন্দক্তা নৌনা লীংখৎখিবা ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টরগী ওইনসু হৌখিবা নবেম্বর ২৪, ২০১৯দা সঙ্গিৎ কলা শঙ্গম, খুরাই লমলোং বজারদা মায় পাক্না পাঙথোক্তুনা মীওই অহুম খনগৎতুনা ষ্টেট লেভেলদা চাংদম্ননবা শেম শাবা লৈখ্রে। পূন্না প্রীলিমিনরি রাউন্দ অদুদা মীওই ১৫না শরুক য়াখিবদা খনগৎখ্রবা অহুম অদুদি 1. Athokpam Rocky, Sagolmang 2. Th.Heemat, Thiyam Konjin অমদি 3. Aarti Aribam, Lairikyengbam Leikai Salan Leirak নি। য়াম্না পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইরিবদি প্রীলিমিনরি রাউন্দ অসিদা থায়োং ভিলেজদগী সের্টো মার্টিনা কোম হায়বা অমনা মণিপুরী ঈশৈ নিংথিজনা শক্তুনা শরুক য়াখিবা অসিনি। থাজদবা মহাক্কী নুংশিরবা খোঞ্জেল অমদি ঈং-তপ্পা মতৌ অদুনা অয়েংবশিংগী পূক্নিং চিংশিনখি। মহাক্লা অহানবা রাউন্দদা - **কয়াম কুইনা অসুম্না** হায়বা মৈচাক ফিল্মগী ঈশৈ অমা অমদি অনীশুবা রাউন্দদা **অচৌবা চীংশাং** হায়না শৈহৌবা পেট্রিওটিক সোং অমা লাম্থোকখি। কম্পিটিসন ওইবনা মহাক প্রীলিমিনরি রাউন্দ অসিদা অহুমশুবা রেঙ্ক ফাওবদি চনবা ঙমখিদে, অদুমকপু মহাক্কী পর্ফোর্মেন্স অদুদি য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইখি। থৌরম অদুগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনসু ঈশৈ ময়েক্কী ওইবা চাংদম্নবা অমা পাঙথোকখি। হায়রিবা কেটেগোরি অসিদা থিয়াম কোঞ্জিন ৱারোক লৈকায়দগী টি ঐচ প্রফুলোনা বেষ্ট লিরিসিষ্টকী মনা ফংখি। বেষ্ট লিরিসিষ্টকী ওইনা কেশ লুপা লিশীং ১০ পীখি। শেনফম অসি মমিং লৈরবা শৈরাংবা সনাতোন নিংথৌজানা দোনর ওইখি। রাউন্দ অদুদা বেষ্ট সিঙ্গরগী ওইনা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা তাখিবশিংদসু কেশ এৱার্দ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। অহানবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ১০ পীখি। হায়রিবা অসিসু মমিং লৈরবা শৈশকপা অসেম অমরজিৎনা দোনর ওইখি। অনীশুবা পোজিসনগী ওইনা মমিং লৈরবা শৈশকপা অমদি এক্টর বোনিয়ম থোকচোমনা লিশীং তরেৎ দোনর ওইনা পীখি। লোয়ননা অহুমশুবা পোজিসন্দা এল জয়ানন্দনা লিশীং মঙা দোনর ওইনা পীখি। ইনৌ নৌনা লীংখৎলক্লিবা ইম্ফাল ইষ্ট সেন্টরগী অহানবা প্রীলিমিনরি রাউন্দ অসি তশেংনা মায় পাক্না পাঙথোকখি হায়না লৌবা তাই।




## থাজবরা, থাজদবরা? অঙকপনা থল্লবা মালেম




- জিনেসিস ১:২০-২২গী মতুংইন্না য়েরূমদগী য়েননা হল্লি।
- সিগরেট লাইটর অসি মৈখেৎ পুথোক্ত্রিঙৈদগী হান্না পুথোকখ্রে।
- ইন্দিয়ানা য়ুনিভর্সিটিগী মেইন লাইব্রেরি অসি চহী খুদিংগী ইঞ্চি অমা খরা হেল্লপ্পা লৈবাক মখাদা অসুম পুত্থরি। মসি লাইব্রেরি অসি শাবা ইঞ্জিনিয়রশিং অদুনা মসিদা থমগদৌরিবা লাইরিকশিং অদুগী অরূম্বগী চাং অদু পারগা শাহৌদবগীনি।
- মালেমদা লৈরিবা ন্যুক্লিয়র খুৎলাই পূম্নমক্তগী কেটেগোরি থ্রী হরিকেন অমনা পুথোকপা মিনিট তরাদা পুথোকপা ইনর্জিনা য়াম্না হেল্লি।
- বোলপোইন্ট পেননা থিনবদগী চহী খুদিংগী চাংচত্তা মীওই ১০০ শিহল্লি।
- রেপ্টাইল অমদি লিনশিং লৈতবা কন্টিনেন্ট অসি অন্টার্টিকা মথন্তনি।
- চুমথাং অসি অয়ুক্তা নৎত্রগনা নুমিৎয়ুংবা মতুং থেঙজিল্লক্লবা মতমদখক্তং উবা ফংই।
- ওর্গান ট্রান্সপ্লান্টকী ৱেটিং লিষ্টতা অমেরিকান ৮৭,০০০ হেন্না লৈ।

## - য়েন মফৈ -

মচলশিং
য়েন মফৈ খরা (অনী নৎত্রগা মরি/মঙা)
চনম মনাও ২০; অকংবা রোজমেরি চমচ ১
থুম চমচ ১/২; গুন মোরোক চমচ ১/২
মোরোক অকংবা মচৎ-তানা শিকাইবা চমচ ১/২
চিক্কন ব্রোথ ১ কপ ১/৩; থাও চমচ ৩
মেথদ
ক্রোপ পোট (অনেম্বা মৈশাদা সিম্মরিং তৌনবা পাত্রা) অমদা চনম অখোকপা মনাওশিং হাপচিনগনি। ময়াই ওইরপ চাওবা মখা লাওবা পাত্রদা স্পাইস ময়াম হাপচিল্লগা মিক্স তৌবীগনি। মথক্কী অসিগুম্বা তোঙানবা পাত্রা অমদা থাউ হৈজিনবীয়ু। য়েন মফৈশিং থাওদা থাদরগা অমুক লৌখৎলগা স্পাইস য়াওবা পাত্রদুদা অমুক হাপচিল্লগা ওন-ওন্দুনা স্পাইস মরোল অমনা য়োম্বীগদবনি। হৌজিক য়েন মফৈশিং ক্রোপ পোর্টতা হাপ্পীরগা অকোয়বদা চনম মনাওশিং থম্বীয়ু। মচলশিং অসিদা চিক্কন ব্রোথ হৈজিনবীরো। মৈরি নেম্নাপুং ৮ চুপ্না থোংবীয়ু।



HL-B/5780/2nov.to28dec.

## সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি

# মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎলকপনা সমুদ্রদা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপদগী ঙাশিংনা হিংবদা অচৌবা চৈথেং পীরে

মালেমদা হোংলক্লিবা অইং-অশাগী মরম্না অমসুং পোল্যুসন্না মরম ওইদুনা সমুদ্রদগী ওক্সিজেনগী চাং হন্থহন্দুনা মশিং য়াম্লবা ঙা মখল কয়াগী হিংনবগী ফিভমদা চাওনা চৈথেং পীরে হায়না আই য়ু সি এন (ইন্টর্নেসনল য়ুনিয়ন ফোর কনজর্বেসন ওফ নেচর)না চত্থখিবা থিজিনবা অমন ফোঙদোরক্লি।


মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা ফেটেরিশিংদগী চেন্থরকপা অমোৎপা পোৎয়ানশিংনা চহী কয়া সমুদ্রগী ঈশিংবু মোৎহন্দুনা লাকখিবনি। মসিগী মথক্তা শাবগী চাং হেনগৎলকপনসু সমুদ্রগী ঈশিংদা লৈরিবা ওক্সিজেনগী চাং অসি হন্থহল্লক্লিবনি হায়না ষ্টদি অসিনা মখাতারি।

কুমজা ১৯৬০গী মতমদা ওক্সিজেনগী শরুক য়াম্না হন্থবা সমুদ্রগী মফম ৪৫খক লৈরম্বদগী হৌজিক্তি ৭০০ শুরে হায়খি। সুমদ্র খোংবাল নক্না লৈবা ঈশিংগী শরুকশিংদা নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরস কেমিকলশিংনা ফার্ম অমসুং ইন্দষ্ট্রিশিংদগী চেন্থরক্তুনা ঈশিংদা লৈবা ওক্সিজেনগী চাং অসি হন্থহন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু হৌখিবা চহী খর অসিদা হোংলক্লিবা অইং-অশাদগী পীরকপা শাফুনা ঈশিংগী মনুংদা লৈবা ওক্সিজেনগী চাং অসি হন্থহনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরক্লি হায়না ষ্টদি অসিনা ফোঙদোরকপনি।

মালেমগী লৈমায়গী শরুক্তা কার্বেন দাইওক্সাইদ পুথোকপগী চাং অসি অসুম হেনগৎলকপনা গ্রিনহাউস ইফেক্ট থোকহন্দুনা শাবগী চাং হেনগৎলকপনি। হেনগৎলক্লিবা অশাবগী চাং অদু সমুদ্রগী ঈশিংনা চুপশিল্লিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা ঈশিং অশাবনা ওক্সিজেন লৌশিনবগী চাং অসি অইংবা ঈশিংদগী হন্থে। সাইনটিষ্টশিংনা হোৎপগী মতুং ইন্না কুমজা ১৯৬০দগীনা ২০১০ ফাওবগী মনুংদা সমুদ্রনা ওক্সিজেন চুপশিনবগী চাং অসি চাদা ২ হন্থরক্লে হায়না পান্নরি।

ট্রোপিকেল ওইবা মফম খরদদি ঈশিংদা ওক্সিজেন য়াওবগী চাং অদু চাদা ৪০ হেন্না হন্থবা ফাওবা য়াওই য়ানা ষ্টদি অসিনা পল্লি। সমুদ্রদা লৈবা মরু ওইনা সার্ক, টুনা অমসুং মার্লিনগুম্বা ঙা মখলশিং অসি ওক্সিজেন য়ামদ্রবদি হিংবদা অৱাবা ওইগদৌরিবনি। সুমদ্রদা মিটর ১০০০গী মনুংদা খ্বায়দগী হেন্না থৱায় পানবা জিবশিংনা লৈরিবনি। শাবগী চাং হেনগৎপনা হায়রিবা মফম অসিদা ওক্সিজেনগী চাং হন্থরকপনি হায়রি।





HL-B/5723/8,9

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ৮।১২।২০১৯ ইং, নোংমাইজিং; অয়ুক্কী পুং ৮.৩০ ফাওবা পোইনুগী ১১ নি পাল্লি, মতুং ১২নি পানগনি।

**মেষ :** লন-লৌশিং অমদি নুংঙাইবা শোইদনা থুংগনি। মরুপ মপাংনা লুনা তৌবিবা অমদি লল্লোন ইতিক্কী লম্দা মীথোই মীহেনবা য়াবসু লৈ। ঙক্তি কনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** মীয়াম্না থোইনা চানবীগনি অমদি য়েক্লবা ময়েং তাবা নুমিৎনি। মীরক্তা লৈয়ু-নাইতোম চৎপদি পামদবা নংগনি। থাজদনা নক্লবনা নমথাক তৌবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরীদা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**মিথুন :** শোইদনা ওইজ-ওইথক ফংগনি, নুশিবা মরুপ ফংগনি অমদি মীংচৎ লৈনা থৌ পাংবা ঙমজগনি। খন্থদবনা মীপাইবা নংগনি অমদি অফা অপুন্নে।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইরনি, নীংবসু থুংলনি অমদি অনৌবা থৌরম পায়বা য়ারগনি। ৱানা খাংজবগী নুংঙাইরনি, শেলনচিংবা ফংগনি। মীতোপ্নদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**সিংহ :** অরাপ্পা মীগা লোয়নবা কান্নগনি অমদি অনৌবা অফবা মরুপ-মপাং ফংবা য়াবা লৈ। মীয়াম্না পান্থা থৌ পাংবদা শোইদনা মায় পাক্কনি। নোল্লুক্লদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী চেৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** ফিংবা অমদি অশাওবা থাদোক্লগা হনবা লৈতনা পাংবা থবক খুদিং মায় পাক্কনি। নীংবা খুদিংদি থুংবা ৱাগনি। ৱাখলগী পাঙ্গল শোল্লি-পূক্নিং ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনবনা নীংবা থুংলোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চি নি অঙাংবা।

**তুলা :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগদবা নুমিৎনি, নচা ননাইগী লম্দা লাংতক্লরসু হোৎনজমনগী মায় পাকপদি লৈগনি। নথক থোংবনা নরলদা মীতাবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**বৃশ্চিক :** লৌশিং চাওবনা তাকপী তন্থীবা হৈবা নুমিৎনি অদুনা অরুবা থবক পাংবা য়াগনি ময়াম্থু লমজিংবা ঙমগনি। মীৱা লৌবা অমদি খাংবা কন্দ্রদি মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**ধনু :** মীয়াম লোইনবা হৈবা গুন্না মীয়াম্থু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। নথক থোংবনদি চানবীদে অমদি য়েক্লবনা পাঙ্গল্লি অদুনা ঙক কনবা/হোয়া তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** মরুপকী মতেং ফংনা থৌনা ফুদোকপা য়াগনি-অকিবা পুন্থা থাদোকউ। ৱাঙাং অমদি থৌরম য়াৎপা হৈগনি-চিংনদনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিং কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীংচৎ ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** মায় পাক্কনি, লৌশিংসু চাওগনি, য়েৎনরম্বা কোক্কনি অমদি হকচাংসু খিংগনি। লেংদবা লনসু হেন্নদুম চাওখৎকনি। হুৱানবনদি নচাক নরল মাঙহনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিন :** নাইতোম পাংবা ৱাগনি অমদি অখঙ অহৈ শাবসু হেন্নদুম অফবা থবক মাঙনিংঙাইনি। চিঞ্জাক কান্নবা নত্রগা অতোনবগা লোইনরবা য়েংথিনবা শোইদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।